






*বৃটেনগী জোহানা কোন্টা মায়থিবা পীরল্লগা যু এস ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলসতা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবী যুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনা*

*পাকিস্তান ক্রিকেট বোর্দনা লৈবাক অসিগী চীফ সেলেক্টর অমদি কোচ ওইনা এপোইন্ট তৌখ্রবা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট শান্নরোই মিসবা-উল-হক*

## রিজিজুনা যু কেগী এম পিদা চিঠি ইদুনা ২০২২ কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা সুট্টিং য়াওহন্নবা হায়খ্রে

*ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা যু কেগী এম পি নিক্কী মোরগানদা চিঠি ইদুনা কুমজা ২০২২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা সুট্টিং মশান্না য়াওহন্ননবা খঙহনখ্রে।

চহী অসিগী জুলাই থাদা ফমখিবা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস ফেদরেসন (সি জি এফ)কী একজিক্যুটিভ বোর্দ মীফমদা সুট্টিং মশান্না অসি কুমজা ২০২২ দা বিরমিংহমদা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস অসিদগী লৌথোকখিবনি। হিরম অসিগা মরী লৈননা ইন্দিয়ান ওলিম্পিক এসোসিয়েসন (আই ও এ) না গেমস অসিদা লৈবাক অসি শরুক য়াররোই হায়না খঙহনখিবা লৈখ্রবনি।

রিজিজুনা ইখিবা চিঠি অদুগী মরোলদা সি জি এফকী একজিক্যুটিভ বোর্দনা বিরমিংহম কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস অসিদা সুট্টিং মশান্না য়াওহল্লোইদৌরিবা অসি মশান্না অসি অমুক হন্না য়াওররোইদবা স্পোর্টস দিসিপ্লিন অমরা অদুগা মফম অদুদা সুট্টিং ইভেন্ট অসি পাঙথোকপগী ষ্টেদিয়ম লৈতব্রা হায়না চিঠি অদুগী মতেংনা ফোঙদোকখি।

লাইবক থিবদি কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী একজিক্যুটিভ কাউন্সিল অমদি মসিগী ফঙ্কসন্নিং কম্মিটিশিং দা ইন্দিয়াগী মীহুৎ অমত্তা য়াওদ্রে। মরম অসিনা বিরমিংহম কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস অসিদা সুট্টিং মশান্নগী মরমদা হায়জনবগী খুদোংচাবা অদু লৈখিদবনি।



*ইন্দিয়াগী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজু*

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা ইখিবা চিঠি অদু মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট ওইরিবা নিক্কী মোরগানদা এদ্রেস তৌদুনা থাবনি। মহাক্না লোয়ননা চিঠি অদু কঞ্জার্ভেসন পার্টিগী মেম্বরশিং ওইরিবা সেক্রেটরী ওফ ষ্টেট ফোর দিজিটেল, কলচর, মেডিয়া এন্দ স্পোর্টসতসু থাখি।

কম্মনৱেল্‌ঠ ওফ নেসন্স অসি লৈবাক ৫৩ না পুল্লগা শেম্বনি। লৈবাকশিংগী অসিগী অপুনবা মীশিং অসি ২.৪ বিলিয়ননি। মীশিংশিং অসিগী মনুংদা ইন্দিয়াগী শরুক তঙ্খাই অমা ওইরিবনি। ইন্দিয়াগী ভাবকশিংনা সুট্টিং ইভেন্ট অসি য়াম্না হেন্না পাম্নরক্লি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্টরনেসনেল সুট্টিং ফেদরেসন্নসু বিরমিংহম কম্মনৱেল্‌ঠ গেমস অসিগী ওইনা সুট্টিং মশান্নদা চঙবা শেনফম খুদিংমক পুথোক্লবগী খুদোংচাবা পীখিবনি। অদুবু সি জি এফকী চীফ লোইস মার্টিনা মফমগী অকক্লবা লৈবনা সুট্টিং মশান্না অসি য়াওররোই হায়না ফোঙদোকখিবনি।

পনবা য়াই, ওষ্ট্রেলিয়ানা যুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা ইন্দিয়াগী সুট্টরশিংনা গোল্ড ৭ য়াওনা পুন্না মেডল ১৬ লৌবা ঙমখিবনি। সুট্টিং মশান্না অসি কুমজা ১৯৭৪ দগী হৌরগা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা লেপ্পা লৈতনা য়াওরকখিবনি।

## ইন্দিয়ানা ঙসি ওমান মায়থিবা পীনবা হোৎনগদৌরি

*গুৱাহাটি, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সি)ঃ*

কুমজা ২০২২ দা কাটারনা যুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱাৰ্ল্ড কপ্তা ক্বালিফাই ওইনবা ইন্দিয়াগী নুপা ফুটবোল টিম্না হয়েং ওমানগা শান্নগদৌরিবা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্টকী অহানবা মেটচতা মায় পাক্লবা হোৎনগদৌরি।

হয়েং গুৱাহাটিদা ইন্দিয়াগী নুপা ফুটবোল টিম্না ওমানগা শান্নগদৌরিবা ক্বালিফায়িং মেটচ অসিদা অকিবা লৈতনা পুন্না শান্নমিন্নরবদি শোয়দনা মায় পাকপা ঙমগনি হায়না টিম অসিগী নম্বর ৱান গোলকিপর গুরপ্রিত সিংহ সন্ধুনা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী টিম গ্রুপ 'ই' দা ওমান, কাটার, আফগানিস্থান অমদি বাংলাদেশকা পুল্লিবনি। ইন্দিয়ানা ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা থা অসিগী ১০ দা কাটারগা শান্নগনি।

ইন্দিয়াগী নুপা ফুটবোল টিমগী কোচ ক্রোএসিয়া মচা ইগোর ষ্টিমেক্না মহাক্কী টিমগী শান্নরোইশিংদা অহেনবা ত্রেনিং পীদুনা মেটচ অসি মায় পাক্লবা অকনবা লাল্লোং পুম্নমক শিনবা লোইখ্রে। কুমজা ১৯৯৮ দা ইগোর ষ্টিমেক ক্রোএসিয়াগী শান্নরোই ওইরিঙৈদা ৱাৰ্ল্ড কপকী সেমি ফাইনেল য়ৌহনবা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী টিম হন্দক্তা থাইলেন্দদা পাঙথোকখিবা কিংস কপ্তা পার্ফোমেন্স ফজবা ঙমখিদবদগী অহুমশুবা পোজিসন তাহৌখিবনি।

## বলগেরিয়াগী দিমিত্রোভনা স্বিটজরলেন্দগী ফেদররবু থোইদুনা সেমি ফাইনেলদা রুশিয়াগী মেদভেদেভকা শান্নরগনি

*ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সি)ঃ*

যু এসকী সিটি ন্যু য়োর্কতা চত্থরিবা যু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভনা নম্বর টু সিদেদ স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররবু মায়থিবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেলদা রুশিয়াগী দানিল মেদভেদেভকা শান্নরগনি।

যু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিদা সিদিং ফংদনা শরুক য়ারকখিবা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভনা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররবু সেট ৫ চঙনা শান্নরবা মতুং ৩-৬, ৬-৪, ৩-৬, ৬-৪, ৬-২ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভকা সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা ৫শুবা সিদেদ রুশিয়াগী দানিল মেদভেদেভনা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ২৩শুবা সিদেদ স্বিটজরলেন্দগী শান্নরোই ষ্টান ৱারিনকাবু ৭-৬(৮-৬), ৬-৩, ৩-৬, ৬-১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

যু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচতা ৫শুবা সিদেদ যুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনা অমদি ৮শুবা সিদেদ টুর্নামেন্ট অসিগী যুম্বু লৈবাক যু এসকী সেরেনা ৱিলিয়মস শান্নরগনি।



৫শুবা সিদেদ যুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ১৬শুবা সিদেদ বৃটেনগী জোহানা কোন্টাবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থিবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরোমদা ৮শুবা সিদেদ যু এসকী শান্নরোই সেরেনা ৱিলিয়মসনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ১৮শুবা সিদেদ চাইনাগী ৱাং কিয়াংবু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট সেট অনী ৬-১, ৬-০ দা মায়থিবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেল চঙলকপনি।

যুএস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৮শুবা সিদেদ পেয়র বেলারসকী ভিক্তোরিয়া অজারেনকা অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিনা নম্বর ৱান সিদেদ হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোস অমদি ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদেনোভিসপু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ২-৬, ৭-৫, ৬-১ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী দবলসকী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৪শুবা সিদেদ পেয়র বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্স অমদি বেলারসকী অরিনা সবালেনকানা ১২শুবা সিদেদ চাইনাগী পেয়র দুৱান য়িংয়িং অমদি ঝেং সাইসাইবু ৬-৪, ৬-৩ দা মায়থিবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ৮শুবা সিদেদ স্পেনগী মার্সেল গ্রেনোল্লর্স অমদি আর্জেন্টিনাগী হোরাসিও জেবাল্লোস অমসুং ১২শুবা সিদেদ পেয়র জর্মনিগী কেভিন ক্রাৱেটচ অমদি এন্দ্রিয়াজ মিজগা শান্নরগনি।

স্পেনগী গ্রোনোল্লর্স অমদি আর্জেন্টিনাগী জেবাল্লোসনা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেলদা ১৬শুবা সিদেদ ওষ্ট্রিয়াগী ওলিভর মারক অমদি জুরগেন মেলজরবু ৭-৬(৭-৪), ৬-৪ দা থোইরম্বনি। অদুগা জর্মনিগী পেয়র ক্রাৱেটজ অমদি এন্দ্রিয়াজনা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেলদা আর্জেন্টিনাগী লিওনার্দো মেয়র অমদি পোর্টুগালগী সৌজাবু ৭-৬(৭-৪), ৬-৪ দা থোইরল্লগা সেমি ফাইনেল চঙলকপনি।

## ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিম্না নেদরলেন্দসকা মথং চহীগী জনুৱারি ১৮ দা শান্নদুনা এফ আই ঐচ প্রো লীগকী কেম্পেন হৌদোক্লগনি

*ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়ানা যুম্বু ওইদুনা মথং চহীগী জনুৱারী থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা এফ আই ঐচ প্রো লীগকী জনুৱারি ১৮ দা শান্নগদবা মেটচতা ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিম্না নেদরলেন্দসকা শান্নদুনা কেম্পেন হৌদোক্লগনি।

ঙসি লাওথোরকখিবা এফ আই ঐচ প্রো লীগ সিজন টু অসিগী অহৌবা মেটচ ওইনা যুম্বু ইন্দিয়ানা নেদরলেন্দসকা অহানবা মেটচ ওইনা জনুৱারী ১৮ শান্নরবা মতুং অনীশুবা মেটচসু থা অসিগী ১৯ দা শান্নরগনি। এফ আই ঐচ প্রো লীগকী অহানবা ইদিসনদা ইন্দিয়াগী টিম শরুক য়াখিদবনি।





এফ আই ঐচ প্রো লীগ অসিগী মখা তাবা মেটচ ওইনা ইন্দিয়ানা যুম্বু ওইদুনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন বেলজিয়মগা মেটচ অনী ফেব্রুৱারী ৮ অমদি ৯ দা শান্নরগনি। মসি লোইরবা মতুং ওষ্ট্রেলিয়াগা ফেব্রুৱারী ২২ অমদি ২৩ দা মেটচ অনী অমগসু শান্নগনি।

ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিম্না অৱে গেমসনা জর্মনিগা মথং চহীগী এপ্রিল ২৫ অমদি ২৬ তা মেটচ অনী শান্নরগনি। মসিগী মতুংদা গ্রেট বৃটেনগা মে থাগী ২ অমদি ৩ দা মেটচ অনীসু শান্নগনি।

ইন্দিয়াগী হোক্কী টিম অসিনা যুম্বু ওইদুনা মেন ২৩ অমদি ২৪ দা ন্যু জিলেন্দগা মেটচ অনী শান্নরগনি। আর্জেন্টিনানা যুম্বু ওইরগা ইন্দিয়ানা জুন ৫ অমদি ৬ তা মেটচ অনী শান্নগনি।

এফ আই ঐচ প্রো লীগ অসিগী জনুৱারি, ফেব্রুৱারী অমদি মে থা অহুম অসিদা ইন্দিয়ানা হোম মেটচ ৮ শান্নগনি। মথং চহীগী জুন ১৩ অমদি ১৪ দা ইন্দিয়াগী নুপা হোক্কী টিম্না অরোইবা লেগকী প্রো লীগ রাউন্দ রোবিন মেটচশিং স্পেননা যুম্বু ওইরগা শান্নগনি।

এফ আই ঐচ প্রো লীগকী সেদ্যুল ঙসি লাওথোরকপদা ইনিদয়ান যুম্বু ওইদুনা মথং চহীগী জনুৱারী থাদগী হৌগদৌরিবা অসিদা লৈবাক অসিগী নুপা হোক্কী টিমগী কেপ্টেন মনপ্রিত সিংহনা নুংঙাইবা ফোঙদোকখ্রে। এফ আই ঐচ প্রো লীগ অসিদা থেংনগদৌরিবা মেটচ খুদিংমক য়াম্না লুম্না লৌগনি হায়না টিম অসিগী কেপ্টেন মনপ্রিত সিংহনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## প্রজনেস জিনান ওপন টেন্নিসতা মায় পাকখ্রে

*জিনান, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সি)ঃ*

চাইনাগী সিটি জিনানদা চত্থরিবা জিনান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপা শান্নরোই প্রজনেস গুন্নেশ্বারন মায় পাক্লুনা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে, নুপাগী দবলসতা লৈবাক অসিগী পেয়র মাইনেনি অমদি জিবনসু মায় পাকখ্রে।

জিনান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা অহানবা সিদেদ ওইরিবা ইন্দিয়াগী প্রজনেস গুন্নেশ্বারননা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা জপানগী শান্নরোই রেনা টোকুদাবু ৬-২, ৬-২ দা মায়থিবা পীরল্লগা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসতা ৪শুবা সিদেদ পেয়র ওইরিবা ইন্দিয়াগী সাকেট মাইনেনি অমদি জিবন নেদুনচেঝিয়াননা জপানগী পেয়র সিন্টারো ইমাই অমদি টৌসিহিদে মাটসুইবু অহানবা রাউন্দদা ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থিবা পীরল্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি। ইনিদয়াগী অতোপ্পা নুপীগী দবলস পেয়র বালাজি অমদি ভর্ধান অহানবা রাউন্দদা জপানগী পেয়র হিরোকী মোরিয়া অমদি গোনকালো ওলিভিয়েরাগী মখূত্তা মায়থিহৌখি।

## ইন্দিয়াগী সট্টলর সৌরভ ভর্ম চাইনিজ তাইপৈ ওপন বেদমিন্টনগী নুপাগী সিঙ্গলসতা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

*তাইপৈ সিটি, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সি)ঃ*

চাইনিজ তাইপৈগী কোনুং তাইপৈ সিটিদা ঙসিদগী শান্নবা হৌখিবা যু এস দোলর ৩০০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা চাইনিজ তাইপৈ ওপনদা ইনিদয়াগী নুপা সট্টলর সৌরভ ভর্ম নুপাগী সিঙ্গলসতা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী সৌরভ ভর্মনা জপানগী কে সকাইবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২২-২১, ২১-১৩ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌদুনা নম্বর ৱান সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেনগা শান্নরগনি।

নম্বর ৱান সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেননা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী এস এভিংসানোনগা শান্নবদা গেম অমমম থোইরবা মতুং অহুমশুবা গেম শান্নরকপদা চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেননা পোইন্ট ১৬-১১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈরিঙৈদা থাইলেন্দগী এভিংসানোন মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী চৌ টিয়েন চেন অনীশুবা রাউন্দ য়ৌরকপনি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই সাউথ কোরিয়াগী জুং জে হ্যুননা অহানবা রাউন্দদা জর্মনিগী ৱাই লিবু ২১-১৯, ২১-১৩ দা মায়থিবা পীরল্লগা অনীশুবা রাউন্দদা জপানগী এ মিনেগা শান্নরগনি।

চাইনিজ তাইপৈ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী রিয়া মূখরজি থাইলেন্দগী শান্নরোই এস কাটেথোংগী মখূত্তা গেম অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ২১-১৯, ১১-২১, ১৩-২১ দা মায়থিহৌখি। নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা সিদেদ কানাদাগী মিসেল লিসু অহানবা রাউন্দদা সিঙ্গাপোরগী য়িও জে এমবু ২১-১৯, ২১-১৪ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

### ক্রোসৱার্দ ২৭০ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| N | E | T | S | ■ | T | R | U | S | T | ■ | A | P | E | S |
| O | V | A | L | ■ | H | O | N | O | R | ■ | G | E | R | E |
| V | I | L | E | ■ | E | M | I | L | Y | ■ | E | D | I | T |
| A | L | L | E | V | I | A | T | E | ■ | K | N | E | E | S |
| ■ | ■ | ■ | V | E | R | N | E | ■ | B | E | D | S | ■ | ■ |
| S | E | W | E | R | ■ | ■ | ■ | S | E | N | A | T | O | R |
| N | R | A | ■ | B | A | S | E | H | I | T | ■ | R | U | E |
| I | R | S | ■ | ■ | S | P | R | I | G | ■ | ■ | I | N | N |
| D | O | T | ■ | S | T | E | A | M | E | D | ■ | A | C | T |
| E | R | E | C | T | E | D | ■ | ■ | ■ | A | N | N | E | S |
| ■ | ■ | P | E | A | R | ■ | S | C | O | R | E | ■ | ■ | ■ |
| S | M | A | R | T | ■ | P | A | L | A | T | A | B | L | E |
| W | I | P | E | ■ | A | L | T | O | S | ■ | T | R | U | E |
| I | D | E | A | ■ | L | E | A | S | E | ■ | E | A | R | L |
| G | I | R | L | ■ | L | A | N | E | S | ■ | R | Y | E | S |

GOVERNMENT OF MANIPUR
MEDICAL DIRECTORATE
------

**NOTIFICATION**

Imphal, the 4th September, 2019

No.G/GNM SCHOOL (TBL)/DHS-2018: In compliance of the Order of the Hon'ble High Court of Manipur dated 26/02/2019 and its subsequent orders passed in the W.P. (C) No. 152 of 2019, the issue of admit cards for the post of Tutor is hereby kept in abeyance with immediate effect until further orders.

Sd/-
(Dr. K. Rajo Singh)
Director of Health Services, Manipur

*SL/5272/5&6*

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR: IMPHAL

No.MU/9-1/13/Sem/Exam(C):

Date: 04/9/2019

The Programme for BA/BSc/BCom/BSW/BTT/BFT 1st/5th Semester Examinations, 2019(November)

| Date & Day | 5th Semester 9 a.m to 12 noon | 1st Semester 1 p.m to 4 p.m |
|---|---|---|
| 28/11/2019 (Thursday) | Honours Paper- V(H-505): Ant/Bch/Bot/Chm/CSc/Geg/Gel/HSc/Mat/Phy/ Sta/Zoo/Eco/Edn/Eng/Hin/Hist/Man/Phi/PSc/PEd/Ben/Elt/DSt/EvSc/Soc/Commerce | Home Science-I(101)/Health Education-I(101)/ Environmental Science-I(101) |
| 29/11/2019 (Friday) | Anthropology-V(G-505) | Physics-I(101)/Political Science-I(101)/BTT-101/BSW-101/BFT-101 |
| 30/11/2019 (Saturday) | Physics-V(G-505)/Political Science-V(G-505)/BTT-501/BSW-501/BFT-501 | Anthropology-I(101)/Physical Education-i(101) |
| 02/12/2019 (Monday) | Honours Paper-VI(H-506): Ant/Bch/Bot/Chm/CSc/Geg/Gel/HSc/Mat/Phy/ Sta/Zoo/Eco/Edn/Eng/Hin/Hist/Man/Phi/PSc/PEd/Ben/Elt/DSt/EvSc/Soc/Commerce | Computer Science-I(101)/Sociology-I(101)/ Commerce-E1(101)(Business Communication) |
| 03/12/2019 (Tuesday) | Economics-V(G-505)/BTT-502/BSW-502/BFT-502 | General English-I(101)/MIL-I(101)/Arts/Science/Com) |
| 04/12/2019 (Wednesday) | Computer Science-V(G-505)/Sociology-V(G-505) | Economics-I(101)/Defence Studies-I(101)/BTT-102/BSW-102/BFT-102 |
| 05/12/2019 (Thursday) | Education-V(G-505)/BTT-503/BFT-503 | Commerce-E2(101)(Financial Accounting)/Human Rights-I(101) |
| 06/12/2019 (Friday) | Honours Paper-VII(H-507): Chm/Mat/Eco/Edn/Eng/Hin/Hist/Man/Phi/PSc/Ben/DSt/Soc/Commerce | Education-I(101)/BTT-103/BFT-103 |
| 07/12/2019 (Saturday) | Geology-V(G-505)/BTT-504/BFT-504 | Chemistry-I(101)/English-I(101) |
| 09/12/2019 (Monday) | Chemistry-V(G-505)/English-V(G-505) | Geology-I(101)/Sports-I(103)/BTT-104/BFT-104/History-I(101) |
| 10/12/2019 (Tuesday) | Geography-V(G-505) | Botany-I(101)/ Statistics-I(101)/Bengali-I(101) |
| 11/12/2019 (Wednesday) | Botany-V(G-505)/Philosophy-V(G-505)/Statistics-V(G-505) | Geography-I(101)/Electronics-I(101)/Commerce-E3(101)(Business Economics & Environment) |
| 13/12/2019 (Friday) | Mathematics-V(G-505)/Hindi-V(G-505) | Zoology-I(101)/Manipuri-I(101)/Mizo-I(101) |
| 16/12/2019 (Monday) | Zoology-V(G-505)/Manipuri-V(G-505) | Mathematics-I(101)/Hindi-I(101) |
| 17/12/2019 (Tuesday) | History-V(G-505) | Biochemistry-I(101) /Philosophy-I(101) |

**Last Date of submission of Examination Forms: 16/10/2019(Without Fine)**
**Last Date of Submission of Examination Forms: 21/10/2019 (With Fine)**

**N.B.** All the Principals of the Colleges are requested to submit the CD cassettes of candidates list **(in MS Excel Format) on or before 02/11/2019**

Sd/-
(A. Narayan Singh)
Controller of Examinations, i/c

*SL/BILL (MU)/5*


**AMIYA BHARALI NURSING INSTITUTE**

**P.O. Khetri, Kamrup (M), Assam, Pin-782403**

Permitted by Deptt, of Health & F.W. Govt. of Assam

Recognized by Assam Nurses' Midwives' and Health Visitors' Council, Guwahati

*Admission Going on for the Session 2019-2020*

1st Year ANM (2 Years course) & 1st Year GNM (3 Years course)

**Hostel available**

100% Pass

100% Placement Assistance guranteed



Secretary 9954707455 | Principal (ANM) 9954070587 | Principal (GNM) 81344910100



*SL/5269/5*